## ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মোরেগী সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিং অমদি এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস তেংনৌপলনা পুন্না খুৎশম্নদুনা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা থা অসিগী ১৭তা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লদ দোনরস মণিপুর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি নবকুমার টি সীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গোর্খা সমাজ, মণিপুরী মুসলিম কাউন্সিল, টামিল সঙ্গম, হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল, মীতৈ কাউন্সিল, ওল কম্যুনিটি এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন্না পুন্না শীন্দুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোক্কদবনি। মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা পাঙথোক্কদবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, রিমস অমসুং ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল খাঙবোক্কা লোয়ননা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা মশাগী চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশা মউ ফবা মীওইশিংনা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

## লাই য়েকপা চাংদম্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): এন এম এদ্যুকেসনল এন্দ কলচরেল রিছার্স ফাওন্দেসন, ককচিংনা শীন্দুনা অঙাংগী নুমিৎকা মরী লৈননা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট থাক্কী অপীকপা অঙাশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা অমা ঙসি ককচিং গার্দেনদা পাঙথোকখ্রে।

কেটগরি এ (প্রি নর্সরি অমসুং নর্সরি)গী কাঙলুপ্তা কিদস ৱার্ল্ড ককচিংগী মহৈরোয় অহুম, লিংজেল ক্ষেত্রিময়ুমনা অহানবা, ফিজম অনুস্কানা অনীশুবা অমসুং কে এস ঐচ লনচেনবনা অহুমশুবা তাখি। কেটগরি বি (কিন্দরগার্টেন ৱান অমসুং কিন্দরগার্টেন টু) গী কাঙলুপ্তা য়াম্বেম লার্সন, পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুল, ককচিংনা অহানবা, কে এস ঐচ হেম্থোই, পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুলনা অনীশুবা অমসুং তোমথিনঙানবা নোংমাইথেম, মার্টিন গ্রামার স্কুল, ককচিংনা অহুমশুবা তাখি। কেটগরি সী (ক্লাস ৱান অমসুং ক্লাস টু)গী কাঙলুপ্তুনা সাইরস মোইরাংথেম, এম এম এস জেনিয়স একাদেমি ককচিংনা অহানবা, কে এস ঐচ লমজিংবা, মার্টিন গ্রামার স্কুল ককচিংনা অনীশুবা অমসুং নোংমাইথেম জেনিফর, এম এম এস জেনিয়স একাদেমি ককচিংনা অহুমশুবা তাখি। লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা থৌরমগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা ঈ সুরচান্দ, প্রিন্সিপাল ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, ককচিং, থৌরম মপু ওইখিবা ৱাই য়াইমা, সোসল ৱার্কর অমসুং অখন্নবা লেংবিরকপা ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. পি রাজেন্দ্র, সেক্রেটরি হিষ্ট্রি সোসাইটি, ককচিং অহুম্না মনাশিং অদু খুৎশিন্নখি।

# নেসোনা দিল্লি অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পূম্নমক্তা সিটিজন এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গেনাইজেসন (নেসো) না অৱাং নোংপোক লমদমদা সিটিজন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬, ফোরেনর (এমেন্দমেন্ট) ওর্দর ২০১৫, পাসপোর্ট (এন্ত্রি ইনটু ইন্দিয়া) নোটিফিকেসন ২০১৫ অমদি লোঙ টর্ম ভিজা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ইম্পোজ তৌরিবা অসি মপূং ফানা লৌথোক্ত্রবদি অনৌবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নেসোগী চ্যেরমেন সাম্যুএল বি জেরৱা অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল সিনাম প্রকাসনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু), ওল আসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু), নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ), মিজো জিরলাই পাৱল (এম জেদ পি), টুইপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি এস এফ), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), গারো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জি এস য়ু) অমসুং ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ পি এস য়ু) না অৱাং নোংপোক লমদমদা লোনা য়াদবা মওংদা বাংলাদেসিশিং চঙশিল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা খোঙজং অসি চঙশিনগদৌরিবনি হায়রি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট পূম্নমক্তা লোনা য়াদবা মওংদা বাংলাদেশকী মীরৈবাক মচাশিং চঙলকপগী থৌওং কয়া মায়োক্লরি। মমাঙদা ইষ্ট পাকিস্থান হায়না কৌরম্বা অসিনা মনীং মখা তম্বা ফংবা নুমিৎতগী হৌদুনা লোনা য়াদবা মওংদা মীরৈপাকমচা কয়া লমদম অসিদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্লসু চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা লাক্লি। নেসোনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়রস কিরেন রিজিজুগা দেল্লিদা উনদুনা প্রপোজ তৌরিবা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং শিলোংদা পাঙথোকখিবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মীফমদসু নেসোনা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাক শংমানা বিল অসিগী মায়োক্তা কেবিনেটকী ৱারেপ লৌখিবা অমদি মিজোরাম গভর্ণমেন্টনসু বিল অসিগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌখিববু থাগৎপা ফোঙদোকপা লোয়ননা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু অসিগুম্বা কেবিনেটকী ৱারেপশিং লৌদুনা বিল অসি য়ানীংদে হায়বদু ফোঙদোক্লবা তকশিল্লক্লি।

জনতা দল (য়ু) গী বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা নেসনল এগজিক্যুটিভ মিটিংদা প্রপোজ তৌরিবা বিল অসিগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌদুনা খোঙজং অসি শৌগৎখিবা লৈরে। অতৈ অতোপ্পা নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারগুম্না বিল অসিগী মায়োক্তা পূন্না শৌগৎপীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু মায় পাক্লা বাংলাদেশকী বোর্দর মপূং ফানা ঙাকপা ঙমদ্রে অমসুং মীয়াম্না তশেং তশেংনা উবা মপূং ফাবা অমদি অচুম্বা থৌওং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী চথদুনা নুমিৎ খুদিংগী বাংলাদেশতগী লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লক্লিবা মীরৈবাক মচাশিং অসি থিংবা ঙমদ্রে হায়রি।

নেসোনা মীরৈবাক মচা চঙশিল্লকপগী থৌওং অসিবু হকচিন্না লৌদুনা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ষ্টেট কয়াগী খুন্নাইগী ওইবা নুংনাংবা অমদি চারাংনবা কয়া থোকহল্লে। ত্রিপুরাদা ষ্টেট অদুগী ট্রাইবেলশিংগী আইদেন্টিটি মপূং ফানা মাঙহল্লে। লোনা য়াদবা মওংদা বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকপা মীওইশিং অসামগী য়েলহৌমীগী মশীংদগী অথুবা মতমদা হেনগৎলকপগী ফীভমদা লৈরে হায়রি। অসাম একোর্দকী মতুং ইন্না অসামদা এন আর সী অপদেট তৌনবা শেম শারকপবু নেসোনা তরাম্না ওক্লি।

অমরোমদা অসামদা এন আর সী শেম শারকপগী থৌওং অসিবু অয়েৎ অপন পীনবা তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়া চত্থরক্লি। মরম অসিনা নেসোনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট খুদিংমক্তা এন আর সী শেম্নবা তকশিল্লক্লি। ষ্টেটশিং অসিগী গভর্ণমেন্টশিং এন আর সী শেম্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অৱাং নোংপোক লমদম শিনবা থুংনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অমসুং ন্যু দেল্লিদা চঙশিনগদবা খোঙজংশিংসু লাউথোকখ্রে। থা অসিগী ২২দা অৱাং নোংপোক লমদমগী গেটৱে ওইরিবা গুৱাহাটিদা খোঙজং চঙশিনগনি। থা অসিগী ৩০দা অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেট খুদিংমক্কী কোনুংশিংদা নেসোগী কম্পোনেন্ট ওর্গেনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগী খোঙজং চঙশিনগনি।

ন্যু দেল্লিদা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন হৌবা নুমিৎতা প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি। নেসোগী মেম্বর ওর্গেনাইজেসনশিং, অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৭কী মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমসুং এম পিশিং উনদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা আপিল তৌবগা লোয়ননা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লবা তকশিল্লক্লি।

# ‘জে টি রোদ শেম্বীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা জিরিবাম টিপাইমুখ রোদ অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমজিনবীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী) ওন দিভলপমেন্ট ওফ জে টি রোদনা ফোঙদোরক্লি।

জে এ সী অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা জে এ সী অসিগী মেম্বর সী ঐচ সুনামনিনা হায়খি, জিরিবামগী জে টি রোদ অসি শেমজিন্নবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর, পি দব্লিয়ু দি মিনিষ্টর, লোকল এম এল এ অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সীদা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবা অমদি লম্বী অসি উফুল কা হেন্না থোকপনা পিল্লিবা অঙাংশিং নারকপা য়াবা কয়া লৈরকপদগী মীয়ামগী ওইবা মীফম অসি পাঙথোকপনি।

মীফম অসিদা জে এ সীনা লৌখিবা ৱারেপ অদুদি থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লম্বী অসি শেম্বীবগী মতাংদা য়ানবা অমত্তা পুরক্তবা তারবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মদুগী অফ-ফত্তগী থৌদাং পূন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কাইরেনবিখোক্তা মৈ ফংহনবীয়ু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী কাইরেনবিখোক্কী মফম খরদা মৈ লাক্তবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মরম অদুনা এম এস পি দি সী এলনা অথুবদা মৈ ঙালহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা ওক্টোবর ২৩দা কাইরেনবিখোক ময়ায় লৈকায়দা খিনবা ট্রান্সফোর্মর য়াখিদবদগী ওক্টোবর ২৫দা এম এস পি দি সী এলগী ষ্টাফশিং লাক্লুনা ট্রান্সফোর্মর অদু পুখৎখিবনি। মতুংদা ট্রান্সফোর্মর অহনবা অমা পুদুনা লাক্লগা ট্রান্সফোর্মর অদু শেমজিল্লকখি অমসুং মৈ থাজিল্লবা মতুংদা ঙসি ফাওবা মীয়ামদা মৈ পীদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, কাইরেনবিখোক হায়রিবা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম থবক শূনোমদুনা মাগী মাগী ইমুং পুনবা হোৎনরিবা খুঙ্গং অমনি। য়ূমথোং খুদিংদা ফর্নিচরগী থবক শূবনা মরম ওইদুনা ইলেক্ট্রিসিটি লাক্তবা মতমদা থবক লেপ্পনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

## মলেসিয়াগী লম কোয়বশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): মলেসিয়াদগী লম কোয়বা লাকপা মীওই কাঙবু অমা সোরা কৈথেলদা ঙরাং য়ুনাইটেদ কাউন্সিল ওফ সোরানা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

মলেসিয়াদগী লম কোয়বা লাকখিবা টিম অদুগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি মহম্মদ ফদালি, অবদুর রসিদ, জলানি কিফলি অমসুং দিয়ানি বিন য়ুসুফনি। মখোয়না সোরা য়ৌরকপদা য়ুনাইটেদ কাউন্সিল ওফ সোরাগী প্রসিদেন্ট এম এল জুলফিকর অলম সেখনা হরাউ তরাম্না ওকখি। থৌরম অদুদা মহম্মদ টাজউদ্দিন, টিফাজউদ্দিন অমদি মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

মলেসিয়াগী লম কোয়বশিং অদুনা ফোঙদোক্লম্বদা মখোয় লৈবাক ৮ থুংনা কোয়গনি। মরুওইনা থাইলেন্দ, ম্যান্মার, ইন্দিয়া, ইরান, পাকিস্থান, য়ুনাইটেদ অরব ইমরেটস অমদি সাউদি অরাবিয়ানি হায়রি। মলেসিয়াদগী হৌরকখিবা খোঙচৎ অদুনা থাইলেন্দ অমসুং ম্যান্মার ফাওদুনা লাক্লবা ইন্দিয়াদা থুংলখিবনি। মতুংদা য়ু এ ঈদা থুংগনি হায়নসু ফোঙদোক্লম্মী হায়রি।

# নেসনল লেভেলদা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): নুপীদা চথুবা ক্রাইম হেনগৎলকপা অমসুং নুপীশিংগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহন্নবা অদুঙৈ মণিপুরদা ১৯৩৯দা থোকখিবা নুপী লাল অদুগুম্বা অনৌবা নুপীলাল অমা শাগৎপা তঙাইফদ্রে হায়বগীদমক ওল মণিপুর নুপী মরুপনা নেসনলগী থাক্তা খুৎশম্নরিবা নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেনগা পূল্লগা নেসনলগী থাক্তা নুপী লাল থৌরম অহানবা ওইনা ইম্ফালদা লাক্লিবা দিসেম্বর ১২দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শখিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২৫ রোমদগী দেলিগেটশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না মরুওইবা থৌদোক অমা ওইরগনি। কুমজা ১৯৪৯গী নুপী লালনা অহানবা নুপীগী লূপ মণিপুর মহিলা সমেলনি পোকখি। সমেলনিগী লুচিংবীশিং সবিনচিংবনা ওল মণিপুর নুপী মরুপ হায়বা মীংথোল ওনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কুমজা ১৯৪৬তগী হৌনা নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ পাঙথোকপা হৌরকখি।

লিশাংশিংৎনা পাঙথোক্তুনা লাকপনা চহী ৭৯ মপূং ফারে। নুপী মরুপনা নুপী মীয়ামগা লোয়ননা তকশিনখিবগী মহয়না নুপী লাল খুভম থৌদোক থোকফমগা চানবা মফমদা শেমগৎতুনা লৈরে। মতমদুগী নুপীশিংনা বৃটিশ অমসুং নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা থেংনখিবগুম ঙসিসু নুপী খুদিংমক্তা চীংতম খায়দনা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা অমদি খুন্নাই অসিগী মীয়ামগী মরক্তা নুপীবু হন্থনা য়েংবা, ওৎপী নৈবীরিবা পূম্নমক অসিগী মায়োক্তা হেন্না কনবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা থেংনরগনি।

নাগা, কুকি, মীতৈ, পাঙল ওইজসনু নুপী পূম্নমক পূন্দ্রবা য়াদ্রবনি। মণিপুরগী ঙমখৈগী ৱাথোক ঈং-তপ্পা মওংদা শন্তাইনবা পুরক্কদবনি। চিন্দনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনখ্রে, মখল কয়াগী স্কিম পায়খৎখ্রে, লায়রবা লৈতবগুম ঙাঙলি। ওইথোক্তবা ৱাফমশিংদা থাজবা ঙমদে। নুপীশিংনা চাকখুমগী ফীভম খঙই। ফুদ সিক্যুরিটি স্কিম শেঞ্জাও পায়বশিংগী ফুরিৎখাও চোন্নবা স্কিমনি হায়না মরাল শিরক্লি।

চাকথোং গ্যাসকী মমলসু অঙকপা ফংনা ৱাংখ্রে। উজ্বালা স্কিমনা ইমুং খুদিংমক লায়রহল্লে হায়নসু মরাল শিরক্লি। ইমুং খুদিংগী মীওই অমমম থবক পীখ্রে, এন আর ঈ জি এস স্কিমনা ইমুং খুদিং কোনশিনখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি। অদুবু এন আর ঈ জি এসনা চহী অমদা নুমিৎ ২০নি য়ৌনা থবক শূহনবা ঙমদ্রে। চীংগী মীয়াম অমসুং তম্পাক্কী মীয়াম্না নুমিৎ ১০০নি থবক শূহন্দ্রবনিনা হেন্না লায়রহল্লে। জি এস টিনা লায়রবা অমসুং ময়ায় ওইবা মীওই খুদিংদগী চৈরাক কল্লবা টেক্স খোমগৎলি। শেঞ্জাও পায়বা খরদনা মীয়ামগী লন মখোয়গী খূৎতা শিন্নথোকখ্রগা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাকখুনবা ওইহল্লি। পূম্নমক অসি থেংননবগীদমক অনৌবা নুপী লাল অমা শেম শানবা ৭৯শুবা কুমওন অসি নেসনগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

নুপীশিংগীদমক পার্লিয়ামেন্ট অমদি এসেমব্লিদা চাদা ৩৩গী সিট থাক্লবা ৱাফম পন্থদুনা লৈরিবা বিল পাস তৌহন্নবা, অফস্পা মপূং ফানা মণিপুরদগী লৌথোকখিনবা অকনবা খোল্লাওগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়রি।

নুপী লাল থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৩ অমসুং ১৪দা নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেনগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মীফম ফমদুনা মণিপুরগী নুপীশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপীশিংনা চঙশিনগদবা খোঙজংগী পোরম য়াৎকনি হায়রি।

# এ আরনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী কম্মান্দ মখাদা লৈরিবা য়ুনিটশিং অমসুং সেক্টরশিংদা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী ১২৯শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা পেন্টিং কম্পিটিসন, লোকল এদ্যুকেসনল টুর, মহৈরোয়শিংগীদমক্তা পাঙথোকখি অমসুং মোটিভেসন লেকচর পাঙথোকপগা লোয়ননা অঙাংশিং অমসুং খুঞ্জাশিংদা অথুম অহাওশিং, ষ্টেস্নরি অমসুং শান্ন-খোৎনবগী আইটেমশিং অমদি সোলর লাইটশিং য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা গেমস এন্দ স্পোর্টস হায়বসিনা মীওইবগী পুন্সিদা য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৌরি। মরুওইনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা কান্নবা ফংহল্লি। চিলদ্রেন দেগী থৌরম তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু ওজাশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখি। পলেলগী তোঙান তোঙানবা স্কুল ৫দগী লাকপা মহৈরোয় কয়ানা চিলদ্রেন দেগী থৌরমদা শরুক য়াখি। ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু অঙাংশিংবু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবশিং অসিদা খুদোংচাবা কয়াগী মরমদা খঙহনবনি হায়রি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী চান্দেল বট্টালিয়ন্না তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শামুকোম ভিলেজতা সোলর লাইটশিং য়েন্থোকখ্রে। থা অসিগী ১৩দগী চত্থরকখিবা থৌরম অদু মমাঙ চহীদা ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা সোলর লাইটশিং য়েন্থোকখিবগী শরুক অমা ওইনা মখা চত্থরকপনি।

সোলর লাইটশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অদু ভিলেজ ৱিমেন এসোসিএসনগী চ্যেরমেন ঙাইনৈকিমনা চান্দেল বট্টালিয়ন্দা হায়রকপদগী খুঞ্জাশিংনা সোলর লাইট লৈবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতবনা চান্দেল বট্টালিয়ন্না খুল অসিগী য়ূম খুদিংমক্তা সোলর লাইটশিং য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মহামনি ভিলেজ মনাক্তা আই ঈ দি পোকখায়বগী থৌদোক অমদা মথৌ পাঙথোক্লিবা লাম্মী অনী কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর ১৩দা লৈখিদববু নীংশিংদুনা অমদি মখোয়না মথৌ পাঙথোকপদা কৎথোকখিবগী থৌওং অদুবু শিংথারদুনা চান্দেল বট্টালিয়ন্না মার্টর অনী অসিদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। রাইফলমেন জি দি (লেট) ইন্দর সিংহ অমসুং রাইফলমেন জি দি (লেট) সোহনলাল অনীগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি। মখোয় অনীনা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা অমদি অমত্তা ওইবগী ফীভম থম্নবা হোৎনবদা মথ্বায় থাখিবা অদুবু অৱাংবা থাক্কী কৎথোকপনি হায়না শিংথাদুনা অহানবা লৈখিদবা নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপনি হায়রি।

## জোইন্ট এক্সন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস): তাকয়েলগী জুবেনাইল হোমদা লৈখিদবা নুপামচা অদুগী মীশিগী মতাংদা ঙরাং ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী মনুং চনবা এরিয়াদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা জে এ সী শেমখ্রে।

মীফম অদুদা জে এ সীগী প্রসিদেন্ট এমদি এল্লাউদ্দিন্না ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী মীশি অদু চিংননিংঙাই ওই। মীশি অদুগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়রি। লৈঙাক্লা অচুম্বা পুথোকপীদ্রবদি বন্দ, ব্লোকেদ য়াওনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

মীফম অদুগা মরী লৈননা এম এম দব্লিউ ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুল্লা পথান্না ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা মীওই অমা মরম অমদগী শিরম্বা মতমদা মোব জষ্টিস থোরকপদগী য়ুম থুগায়বা অমদি মৈনচিংবা থাবগী থৌওং অসি কৈদৌনুংদা তৌরোইদবনি। মীওই অদুনা শিরিবগী মরম অদু খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা লোগী ওইবা মতেং লৌদুনা মরাল লৈবা মীওই অদু চৈরাক পীনবা হোৎনসি। মরকসিদা, মহৈরোয় নুপামচা অদুগী মীশি অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ময়াং ইম্ফাল এরিয়াদা মীওই চা কয়ানা মৈরা পায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে।










